


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, FEBRUARY 07, 2020 **PAGE 7**




*টেষ্ট শান্নবা নেসন্সশিংগী মনুংদা টি–২০ ফোরমেটতা ৱিকেটকিপিং গ্লোবকী রেকোর্দ বুক্তা চনখ্রবা ইন্দিয়াগী ৱিকেটকিপর কে এল রাহুল*

*ক্রোএসিয়াগা মাচ ৬ অমসুং ৭ তা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাইদা ইন্দিয়া টিমগী নন–কেপ্টেন ওইগদৌরিবা রোহিট রাজপাল*

## সাই অমসুং হোক্কী ইন্দিয়ানা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টর ৭ হাংদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিদা হোক্কী মশান্না হেন্না চাওখৎনবা পান্দমদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) অমসুং হোক্কী ইন্দিয়া অনীনা পুন্না খূৎশম্নরগা লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টর ৭ হাংদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা মফম ৭ তা হাংদোকখ্রবা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টরশিং অসিনা কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসকী ইদিসনশিংদা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিং পুথোকপদা অচৌবা কান্নবা অমা ওইরগনি।

হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টর ৭ অসি খেলো ইন্দিয়া স্কীমগী মখাদা শেম্বনি, মফমশিং অসিদা এক্সপার্ট প্রোফেসনেল ট্রেনিং, স্পোর্টস সাইন্সকী শীজিন্নফম অমসুং লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা এঠলেটশিংনা শান্নবগী লমদা মহৈ–মশিং তম্বগী খুদোংচাবা পীরিবনি।

লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা জোনশিংগী ওইনা হায় পার্ফোমেন্স সেন্টরশিং লিংখৎখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী টেলেন্ট লৈবা নহা শান্নরোইশিংদা টোপ ক্কালিটিগী খুদোংচাবশিং পীদুনা কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮ গী ওলেম্পিক গেমসশিং অসিগী শেম শাবদা চাওনা কান্নবা পীরগনি।

সেন্টরশিং অসিদা মরুওইনা সাইন্টিফিক্কেলি এদভান্স ট্রেনিং পীগদৌরি। ট্রেনিংশিং অসিগী মনুংদা নহা ওইরিবা এঠলেটশিংবু মেন্টেল ট্রেনিং পীবগী থৌরাংশিংসু য়াওরি হায়না স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দাইরেক্টর জেনরেল সন্দিপ প্রধাননা ফোঙদোকখি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মুসটাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টরশিং অসিগী মতেংনা জুনিয়র অমসুং সব–জুনিয়রগী থাক্তা শান্নরোইশিং শেমগৎতুনা সেনিয়র প্রোগ্রামদা য়াওদ্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমস অমসুং জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ লোয়ননা জুনিয়র এসিয়া কপনচিংবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াহনবদা লৈবাক অসিগী টিমশিংনা মায় পাকপদা কান্নবা ফংলগনি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তাখি।

সেন্টরশিং অসিদা খুদোংচাবা ফংগদৌরিবা সাইন্টিফিকেল্লি এদভান্স ত্রেনিং অসিগী মতেংনা লৈবাক অসিগী এঠলেটশিংনা ইন্টরনেসনেল ষ্টেন্দর্দ য়ৌরকপদা মেন্টেল্লি অমসুং ফিজিকেল্লি ফিট ওইবা ঙমগনি।

মেজর ধ্যান চান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়ম, সাই সুন্দরগর, ওড়িষা, সাই য়ু দি এম সি সি, ভোপাল, মধ্য প্রদেশ অমসুং সাই বেঙ্গালুরুগী নেসনেল হোক্কী একাদেমীশিং অসি লাক্লিবা থা ৩ গী মনুংদা মথৌ তৌহল্লগনি। অদুগা লেমহৌরিবা সেন্টর ৩ না থা ১২ গী মনুংদা মথৌ তৌহল্লগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।


মমাঙগী ইন্দিয়ান হোক্কী কেপ্টেন সরদার সিংহনা ফোঙদোকখিবদা সাই অমসুং হোক্কী ইন্দিয়ানা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টরশিং হাংদোরকপা অসি অচুম্বা খোঙথাংনি। খোঙথাং অসিগী মতেংনা ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক গেমসতা মেডল লৌবদা চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়না সরদার সিংহনা মখা তাখি।

সাই অমসুং হোক্কী ইন্দিয়ানা হাংদোকখ্রবা হায় পার্ফোমেন্স হোক্কী সেন্টর ৭ অদুদি– ১) সাই সেন্টর, বেঙ্গালুরু, কর্নাতকা (সাউথ জোন), ২) মেজর ধ্যান চান্দ নেসনেল ষ্টেদিয়ম, ন্যু দিল্লি (নোর্থ জোন), ৩) সাই সুন্দরগর, ওড়িষা (ইষ্ট জোন), ৪) সাই য়ু দি এম সি সি, ভোপাল, মধ্য প্রদেশ (সেন্ট্রেল জোন), ৫) সাই এন এস এন ই সি, টাকয়েল, ইম্ফাল, মণিপুর (নোর্থ–ইষ্ট জোন), ৬) বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্স, পুনে, মহারাষ্ট্র (ৱেষ্ট জোন) অমসুং ৭) সাই সেন্টর, রাঞ্চি এন্দ গোমকে জয়পাল সিংহ এষ্ট্রোটর্ফ হোক্কী ষ্টেদিয়ম (ইষ্ট জোন টু) নি।

## মণিপুরগী রোনাল্ডো য়াওবা ইন্দিয়াগী সাইক্লিং টিম ৱার্ল্ড ট্রেক্ট সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্কালিফাই ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নুপা সাইক্লিষ্ট রোনাল্ডো য়াওবা ইন্দিয়াগী নুপা সাইক্লিং টিম জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ট্রেক্ট সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্কালিফাই ওইখ্রে।



থা অসিগী ২৬ তগী মথং থা মার্চকী ১ ফাওবা জর্মনিগী সিটি বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু সি আই ট্রেক্ট সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ইলাইট টিম স্প্রিন্ট সেনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না ক্কালিফাই ওইবা ঙম্বসি অহানবা ওইরি।

চথুগদৌরিবা ৱার্ল্ড সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী মকোক থোংবা টিম ১৮ না লম্বা তৌনগনি। নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী সাইক্লিষ্ট দেবোরাহনা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপীগী মিটর ৫০০ গী টাইম ট্রাইয়েল ইভেন্টতা অহানবা ওইনা ইন্দিভিজুয়েলদা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড ট্রেক্ট সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপাগী সাইক্লিং টিম অসি রোনাল্ডো সিংহ (১৮), ইসো অলবেন (১৯), জেমস সিংহ (১৯) অমসুং রোজিৎ সিংহ (১৮) নি।

বর্লিনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ট্রেক্ট সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী ক্কালিফিকেসন পোইন্ট লৌবগী খ্বাইদগী অরোইবা ইভেন্ট ওইরিবনি।

নেসনেল কোচ আর কে শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপা সাইক্লিং টিম্না সেনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্কালিফাই ওইবা ঙম্বা হায়বসি মখোয়গী হোৎনজমনগী মহৈনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা চথুগদৌরিবা ৱার্ল্ড ট্রেক্ট সাইক্লিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা পোজিসন কয়াদা তারক্কদে হায়বগী ঐখোয়না করিসু অৱাবা লৈতে । ঐখোয়গী পান্দমদি ২০২৪ ওলেম্পিক গেমসনি ঐখোয়গী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা টিম অসিনা খোঙফম অমদি চঙশিনবা ঙম্লে হায়না কোচ আর কে শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপা সাইক্লিষ্ট টিম্না চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা ক্কালিফাই ওইবা ঙমখিবা অসিদা কুমজা ২০২২ দগী হৌগদৌরিবা ওলেম্পিক সাইকলদা পোইন্ট ফংনবা হোৎনবদা চাওনা কান্নবা পীরগনি হায়না নেসনেল কোচ আর কে শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৱেঠলিফটর সঞ্জিতা চনুনা মহাক্কী কেরিয়র নৌনা অমুক শেমগৎনবা পান্দম থল্লি

*কোলকটা, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস চেম্পিয়ন মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটর সঞ্জিতা চনুনা মহাক্কী কেরিয়র নৌনা অমুক শেমগৎনবগী পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



সঞ্জিতা চনু হন্দক্তা কোলকটাদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। মহাক্না কুমজা ২০১৪ দা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৭ দা য়ু এস এদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন্না সঞ্জিতা চনুগী মথক্তা প্রোভিজনেল সম্পেন্দসন থমখিবনি।

ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন্না চহী অমরোম মহাকপু প্রোভিজনেল সম্পেন্দসন থমখিবা অদু মহাক্কী মফমদদি য়াম্না থাজদবা অমা ওইখি অদুগা ফাইনেল দিসিজনসু পীরকখিদবনি।

মহাকপু প্রোভিজনেল সম্পেন্দসন থমখিবগী ফাইনেল দিসিজন পীবিখিদবা অদুদা নুংঙাইতবা ফাওখি। সম্পেন্দসন অসিনা মরম ওইরগা কম্পিটিসিন শরুক য়াবা য়াখিদবদগী চহী অমরোমগী মতম মাঙহনখি। ঐহাক্কী মীং অমসুং পুন্সি মফম মরাং খঙদনা মাঙহনখি। মসিগুম্বা থৌদোক অসি অতোপ্পা কনা অমত্তদা থোক্তবা ওইনসু হায়না সঞ্জিতা চনুনা পাউগী চেনেল অমদা নুংঙাইতনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটর সঞ্জিতা চনু কুমজা ২০১৮ দা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী কেজি ৫৩ গী কেটেগোরিদসু গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী সঞ্জিতা চনুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনেল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৪৯দা শরুক য়াদুনা পুন্না কেজি ১৮৫ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

করিগুম্বা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা কেরিয়র অদুদা অমুক হল্লকপা ঙম্লবদি তুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমসতা মেডল শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়না সঞ্জিতা চনুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মুম্বাই এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু ২–১ দা থোইখ্রে

*মুম্বাই, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি।

মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমখি। মেটচকী ৭শুবা মিনিটতা জমসেদপুরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা নো একোষ্টানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা য়ুম্বু টিম ওইরিবা মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং কয়া চথদুনা জমসেদপুরগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথবা ঙমখ্রবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনিটতা মুম্বাইগী শান্নরোই দিএগো কার্লোসনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট এমিনে চেরমিটিনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

গোল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী অরোইবা মিনিটতা মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই বিদ্যানন্দ সিংহনা মেটচকী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা য়ুম্বু ওইদুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকা লম্বা তৌনরগনি।

## সন্ধ্যাগী গোল ৪ না দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেতু এফ সি ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগকী সেমি ফাইনেল চঙহনখ্রে

*বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগকী ৪শুবা ইদিসন অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা সন্ধ্যানা চনখিবা গোল ৪ না দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেতুনা বরোদা এফ এবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



সেতু অমসুং বরোদানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হেক হৌবদগী সেতুগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। মেটচকী ৯শুবা মিনিটতা সেতুগী শান্নরোই সন্ধ্যানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৫শুবা মিনিটতা সেতুগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা সন্ধ্যানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। বরোদাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা সেতুগী অতোপ্পা শান্নরোই অমসাভাল্লিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা সেতুগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লকখি। মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা সেতুগী মায়কৈদগী গোল অনী চনখ্রবা সন্ধ্যানা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদু চন্দুনা ৪–০ দা হেন্দুনা লৈখি। সন্ধ্যানা হেটট্রিক চনখ্রবা মতুং মিনিট ৩ লৈরগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কার্থিকানা গোল অমগা হাপচিনখি।

মেটচকী ৮২শুবা মিনিটতা সেতুগী শান্নরোই সন্ধ্যানা মেটচ অসিদা মহাক্কী ৪শুবা গোল অদু চন্দুনা বরোদা এফ এবু গোল ৬–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। গ্রুপ অসিগী মকোক মণিপুরগী ক্লব কৃপসানা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা মাঙজৌননা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবনি।

ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী ৫শুবা অমসুং অরোইবা রাউন্দগী মেটচতা কেনক্রে এফ সিনা বেঙ্গালুরু য়ুনাইটেদপু গোল ২–১ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা কেনক্রে এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমখ্রবসু বেঙ্গালুরু য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা মথৌ খঙনা শান্নখিবদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা সেকেন্দ ৪০ চঙশিল্লকপদা কেনক্রে এফ সিগী শান্নরোই অমনা ওইথংবা মায়কৈদগী পীরকপা ক্রোস অমদা টিমমেট আশা কুমারীনা বেঙ্গালুরুগী গোলকিপর ভিনায়া সেসানবু মায়থিবা পীরল্লগা গোল চন্দুনা একাউন্ট হাংখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা কেনক্রেগী অতোপ্পা শান্নরোই টেচি অকুংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৮৬শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু য়ুনাইটেদকী স্কিপ্পর অমুলিয়া কমলনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি কেনক্রেনা বেঙ্গালুরু য়ুনাইটেদপু ২–১ দা থোইদুনা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## সাইনা এম পিবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*কোল্লাম, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

কেরলানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ১০শুবা নেসনেল ৱুমেন’স হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ (এ দিভিজন) গী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেলদা সাইনা মধ্য প্রদেশপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৫–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সাই অমসুং মধ্য প্রদেশ অপীবা মতমগী মতুংদা গোল ২–২ চন্নখি। অদুবু পেনাল্টি সুট আওট তৌবদা সাইনা এম পিবু গোল ৫–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা মধ্য প্রদেশ হোক্কী একাদেমীগা থেংনরগনি।

সাইগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা মধ্য প্রদেশ হোক্কী একাদেমীনা মখোয়গী ক্কার্টর ফাইনেলদা পঞ্জাবপু গোল ১–০ দা থোইরম্বনি। অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জ্যোতি পালনা চনখিবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা হরিয়ানা অমসুং মহারাষ্ট্র লম্বা তৌনরগনি। হরিয়ানানা ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওড়িষাবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা মহারাষ্ট্রনা মখোয়গী ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা ঝারখন্দবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## ক্রোসৱার্দ ৪২১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | S | E | E | ■ | A | R | A | B | S | ■ | S | T | A | T |
| M | A | K | E | ■ | T | I | M | E | I | ■ | A | R | L | O |
| P | I | E | R | S | O | F | T | H | E | R | E | A | L | M |
| A | D | O | ■ | S | P | F | ■ | E | S | E | ■ | P | F | C |
| I | N | U | S | E | ■ | R | I | A | T | A | ■ | D | O | A |
| R | O | T | H | ■ | Q | A | N | D | A | ■ | G | O | U | T |
| ■ | ■ | ■ | A | C | U | F | F | ■ | ■ | B | O | O | R | S |
| ■ | H | A | V | E | A | F | E | W | B | I | E | R | S | ■ |
| N | O | V | E | L | ■ | ■ | R | E | I | N | S | ■ | ■ | ■ |
| O | M | E | N | ■ | S | O | N | I | C | ■ | A | G | O | G |
| T | E | M | ■ | D | E | F | O | G | ■ | S | T | O | V | E |
| A | R | A | ■ | D | E | F | ■ | H | B | O | ■ | N | E | T |
| B | U | R | S | T | S | I | N | T | O | T | I | E | R | S |
| I | L | I | E | ■ | A | C | H | E | S | ■ | R | O | D | E |
| T | E | A | M | ■ | W | E | L | D | S | ■ | K | N | O | T |


ঘটসংআ SL/5771/26+15 days

AISECT Academy for IT & Management
Academy for Teachers Training

**ADMISSION OPEN**

*M. Sc.(IT) | M. Sc.(CS)| MSW | M. Lib
M. Com | MA | M. Sc.| BCA | B.Sc. (IT)

**PGDCA | DCA | CCA | CCC**

Diploma in Nursery Teachers Training
12 Pass | 1 year
Certificate in Nursery Teachers Training
12 Pass | 6 Months

*30+ programmes in IT|Mgmt|Comm|Arts|Sc. Faculties
*Distance & Private programmes under
Dr. C.V. Raman University & Rabindranath Tagore University

For details, feel free to visit:
**AISECT Thoubal Wangmataba, AISECT Building**
**#7005356020**


## রোহিট রাজপালনা ইন্দিয়াগী দেবিস কপকী কেপ্টেন ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

মথং থাদা ক্রোএসিয়াগা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাইদা রোহিট রাজপালনা ইন্দিয়াগী নন–প্লেয়িং কেপ্টেন ওইরগনি, ভেটরান লিয়েন্দর পেসসু মেম্বর ৬ না শাবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিগী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

ওল ইন্দিয়া টেন্নিস ফেদরেসন (এ আই টি এ) না ঙসি থাদোরকপদা রোহিট রাজপালবু কুমজা ২০২০ সিজনগী ওইনা ইন্দিয়াগী দেবিস কপকী কেপ্টেন ওইনা খনখিবনি। রাজপাল মমাঙ চহীদসু ইন্দিয়াগী দেবিস কপকী কেপ্টেন ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগা ক্রোএসিয়াগা শান্নগদৌরিবা দেবিস কপ টাই অসি মাচ ৬ অমসুং ৭ তা পাঙথোক্কদবনি। ক্রোএসিয়াগা শান্নগদবা দেবিস কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অদুদি প্রজনেস গুন্নেশ্বারন, সুমিত নগাল, রামকুমার রামানাথন, রোহপ বোপান্না, দিভিজ সরন অমসুং লিয়েন্দর পেসনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী ভেটরান শান্নরোই লিয়েন্দর পেস থা অসিগী ১০ দগী শান্নগদৌরিবা বেঙ্গালোর ওপন এ টি পি চেলেঞ্জরদা শরুক য়ারগনি। টুর্নামেন্ট অসিনা লিয়েন্দর পেসকী ওইনদি মরৈবাক্তা শান্নবা অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Cass No. 88/SDC/SLG/IE of 06/02/2020*

Shangubam Leirenjao Singh S/o Late Shangubam Chandramani Singh of Haraorou Maning Leikai
**- Petitioner**

***-Verses-***

Late Shangubam Chandramani Singh S/o Late Ningthemjao Singh Haraorou (Late Co-Pattadar No-1)
***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 6th Feb. 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং 6-Haraorou পাট্টা নং 50 (অরিবা) 181 (অনৌবা), দাগ নং 1225 মোট এরিয়া 1.00 একর চাওবা Ingkhol গী Co-Pattadar No.1 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি/ Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/B(T)/7**


## ইংলেন্দগী এফ এ কপ্তা টোটেনহাম হোটস্পরনা সাউথমতনবু থোইখ্রে

*লন্দন, ফেব্রুৱারি ০৬ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট এফ এ কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা সাউথমতনবু গোল ৩–২ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী ১২শুবা মিনিটতা সাউথমতনগী শান্নরোই জেক ষ্টেফেন্সনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা হোটস্পরনা মাঙজিল থাখি। ৩৪শুবা মিনিটতা সাউথমতনগী শান্নরোই সেন লোংনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনিটতা সাউথমতনগী শান্নরোই দেন্নী ইংসনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ৬ লৈরগা ৭৮শুবা মিনিটতা টোটেমহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দেলে আলিনা পীরকপা পাস অমদা লুকাস মোরানা গোল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী ৮৭শুবা মিনিটতা টোটেনহাম হোটস্পরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা সাউথ কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোননা মেটচকী য়াম্না মরুওইবা গোল অদু চন্দুনা ৩–২ দা হেন্দুনা লৈখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী হোটস্পনরনা মায় পাকখি।